# ওজাশিংবু মালেমগী থাক্তা ইকায় খুম্নবিরিবা নুমিৎনা লাকপসিদা

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

***ওজা গুরু*** হায়বা ৱাহৈ অনী অসি ঐখোয়গী ওইনদি অমনা অমদগী খাইদোকপা য়াদ্রবদৌনা অদুম্মক লীফাংননা শীজিন্নদুনা লাকই। অহল লমন অখণ্ড অহৈশিংনা থন্বীবা ৱাফম অমা লৈ মদুদি ৱাখল লৌশিং ফনমক চঙখোনবা, হৈশিংবা ওইসনু ওজা-গুরু নাইদবা নৎত্রগা মশক খঙদবা মখোয়দুদি নীংজবা মহয় য়ানবা কৈদৌনুংদা ওইথোক্তে। মদুনা ওইরম্বসু য়াই একলব্যনা দ্রোনচার্যগী মিতম্বু অহিংবা গুরুমক্তি খল্লগা অঙকপা ফংলবা তেন কাপ্পগী মহয় ফংবা ঙমজখিবদু। মতৌ অসুম্না লাইরিক লাইশুগী হীরমদগী হেন্দোক্তুনা মখল খুদিংমক্কী ওইবা পর্ফোর্মিং আর্ট অমসুং ভিজ্যুএল আর্টকী লম্‌দসু ওজা-গুরুগী মফম অসি অদুক্কী মতিক ৱাংনা থম্মী। ঙসি ঙসিমকসু পুঙ-ঈশৈগী লম্‌দা চেন-চোংবীরিবা ওজাশিংগা মখোয়গী মহৈরোয়শিংগা লৈনরিবা মরী অসি ফিদম্নফম ওইবা থাক্তা অদুম্মক লেঙদনা লৈরি হায়বা য়াই। মমা-মপাগা মচাগা লৈনবা মরী অমদি তোপ-তোপ্পা থৌগল্লোনগী মশক অদু উবা ফংই। বস দ্রাইভর অমসুং কন্দক্টরগী মরক্তা লৈরিবা ওজা গুরুগী মরীসু শীংথাবা য়াই। মসিগী হায়রুরবদি মহৈ তম্ফমশিংদা লৈরিবা ওজা অমসুং মহৈরোয়গী মরী অসি কমদৌরিনো হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি। লোৱর প্রাইমারি থাক্তগী অপ্পর প্রাইমারি ফাওবদা লৈরিবা অঙাংশিংগী ওইনদি ওজাশিংবু চেৎনা থাজবা, য়াম্না লূম্না লৌজবা মওং অদু কায়দনা লৈরি হায়বা য়াই। নৈনবা য়াবা থৌদোক অমা নোংমা থেংনৈ। ইমুং মনুংদনি। ক্লাস ৱান তল্লিবা ইশু থোকপা অমগী ৱারীনি। স্কুলগী ফাইনেল এগজাম নকশিল্লকপদনি। ওজানি হায়দুনসু শুংশোয় শোয়রোই হায়রুবা য়াবা নত্তে। চেকশিনহৌদবা ওইরসু, অমা-অমা ওইরসু নোংফাদোকসু অশোয়-অঙাম অদুম য়াওবা হায়বসি মহৌশানি। নোংমা অঙাং অদুগী ওজানা পীরকপা ষ্টদি মেটেরিএলদুদা অরানবা অমা য়াওরকপজাৎনি। মচা কৌবনিনা ফহন্নীংদুনা মমানা চুমথোকপীরুবজাৎনি। মদুদা মানা ফ্রং ফ্রং চোংদুনা কপ্পদুদি কুম্মে তাবনি। কপ্না কপ্না মচিন্দসু হায়, ***''নঙ ওজাসু নত্তনা নঙ ওজাসু নত্তনা।''*** ওজানি হায়দুনা ঐসু অহৈ-অপা শাদুনা মমাগী মীচংদা অঙাংদুগী ৱাখলদু চুমথোক্নবা হোৎনরুবশাই, চোপ্পদুম নংই। হায়দোরকই, ***''নঙদি হৈসু হৈতনা ঐখোয়' ওজানা হৈবা হেল্লি।''*** অসুম্না ঐগী কোক্তা ৱাহং অমা লাকই, নৌরিঙৈ মতমদা ওজাশিংবু লাইদৌনা লৌরিবা অঙাংশিং অসিনা খরা লৈরগদি কৈনোমা তৌরক্লিসিবু কমদৌরিজাৎনো। অঙাংশিংনরা, ওজানরা, মতমগী য়াওন্নরা, খুন্নাইগী মচৎনরা, লৈঙাক্কী থৌশিলনরা তাইনফম খঙদবা কদাইদনো ইহো হোবা অমদি লৈরে।

অসিগুম্লবা ওজা-গুরুগী মতিক-ময়াই অসি খঙলম্বগী মমি ঐখোয়গী মিথ অমদি ৱারী লাইরিক কয়াদা ময়েক লানা তারি। গুরুনা তাকপীবা য়াথংবু অরেপ্পা ওইনা লৌবা মী অদু অফবা মীনি হায়না থন্বীরম্বগী ৱাফমসু থেংনৈ। তাইবঙপান পূম্নমক্কী হৌরকফম্বু গুরুগী মশক ওইনা পুথোক্তুনা গুরু শিদবা হায়না শীংথারি। মালেম লৈশেম্বদা গুরুগী পাউতাক মতুংইন্না শেমখিবা অমদি তাইবঙ মীওইবা শেম্বদা গুরুগী মমি য়েংলগা শেমখিবগী ফজরবা মৈতৈগী মিথনা মণিপুরী ফোকলোরদা মরু ওইবা মফম কন্দুনা লৈরি। মালেম নোংখোঙ কোয়বা মিথসু মালেম নোংখোঙ কোয়বগা গুরুগী ফম্বাল কোয়বগা চপ মান্নে হায়বা নুংগী ওইবা অথুপ্পা ৱাঙউলোন অদু অপানবা (কোঞ্জিন তুথোকপা) বু খঙননবা তাকপীখিবা ওজা-গুরুদু লৈমরেলনি হায়বগী ৱাফমসু লৈ। নিংথৌ পাল্লিঙৈ হাক্তক্তা হৌখিবা, ওইরিবা, লাক্কদবা অহুম্মক্কা লোয়ননা লাইরম-তীনলম, অপোক-অশিনচিংবা কয়াবু খঙবা ঙম্বা ৱাখল লৌশিং চঙখোনবা মীওই কয়াবু মাইচৌ মিংথোন পীদুনা ইকায় খুম্নরম্মী। মখোয়নসু লৈবাক্কী লুরবা তানফম কয়াদা লৈঙাক্তা মতেং পীবগা লোয়ননা লৈবাক্কী অফবা থবক কয়া পাঙথোকই। মখোয়বু লাইপোক ওইরবা গুরুনি খনবগা লোয়ননা লৈঙাক থৌরম য়াওবা হীরম কয়াদা মখোয়গী পাউতাক মতুংইন্না থবক থৌরম পাঙথোকই। মৈদিংঙু নাউফংবগী হাক্তক্তা মীরম গুরু অমদি লমদম অসিগী গুরু লাইবা অনীগী মরমদা অতোপ্পা ৱারেংদা থমজখ্রে। মীরম গুরুগী অশোয়বা লৈখ্রবসু চৈরাক পীখিদে। ওজা-গুরু ওইবশিংবু ইকায় খুম্নরম্বগী ময়েক লারবা খুদমনি। মৈদিংঙু নাওথিংখোংনা পানবা মতমদা মঙাং, লুৱাং, খুমন গুরু অহুম্না মীওইপোক্কী শাইওন লৌদুনা নুংঙাই য়াইফনা পুন্সি নুংশাংনা পান্ননবা তন্বীখিবগী ৱারোল লৈ। লাইনীং লন্বী, নিংশা কাঙলোন, লমচৎ-শাজৎ, মৈ ঈশিং-নুংশিৎ খোঙচৎ, অপোক-অশিনচিংবা হীরম পূম্নমক মঙাং গুরুনা নিংথৌ মশামক্তা তাকপী তন্বীখি হায়বগা মরী লৈনবা ৱারী শাকোক লম্লেন পুয়াদা য়াওরি। নিংথৌ অসিনা কংলৈ ফম্বালদা কাদ্রিঙৈদা লৈঙাক্লোনগী ওইবা কাঙলোন তন্বীখিবা ওজাদু লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনি হায়বসি ৱারী লাইরিক্তা য়াওরি। অসুম্না লিক্লম অসি কায়দনা মথং মথং চথুরকপনা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা কোনোক থেঙ্গ্বা, লাঙ্গোল লুখোইনচিংবা অমদি মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদা লৌরেম্বম খোংনাংথাবা, মোইরাং ললহানবনচিংবা কয়ানা লমদম অসিগী লৈঙাকলোন, লাইনীং-লাইচৎ, নাৎ-কলচরনচিংবা হীরম পূম্নমক্কী লমজিং লমতাকপা ওইবীখি হায়বসি পুৱারীনা নাখৈ শেংনা তাক্লি।

ওজা অমদি মহৈরোয় অনীগী শেংলবা মরী য়োকখৎপা অমদি ওজাশিংনা অঙাংশিংবু লমজিং লমতাকপদা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি শীংথাদনা লৈথোকপা য়ারোই খনবা অখঙ-অহৈ ময়াম অমা থোরকখি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা শর্ব্বপলি ডা. রাধাকৃষ্ণনগী মপোক নুমিৎ সেপ্টেম্বর ৫বু ***ওজাগী নুমিৎ*** পাঙথোকই। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা চহী অনী অসি মমি শান্বগুম্না লৈখ্রে। খুদোলপোৎ হিদান্নবগী কুম্মে মানবা মওংদুমক্তি উবা ফংখিদ্রে হায়বা য়াই, লন্নাই ট্যুসন লেপখিবগীসু ওইরম্বা য়াই। ঙসি ওক্টোবর ৫ অসি মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা ওজাগী নুমিৎনি। জাতি অমা শেমগৎপদা ওজাশিংনা লৌরিবা থৌদাং অমদি মখোয়গী ফংফম থোকপা হকনচিংবা কয়া পুখত্তুনা য়ুনেস্কোনা খৃষ্ট কুম ১৯৬৬তা লৌখৎখিবা খোঙথাং মতুংইন্না ওক্টোবর ৫, ১৯৯৪দগী মালেম শীনবা থুংনা ***ওজাগী নুমিৎ*** পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ঐখোয় শ্বাইদদি সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকপা ওজাগী নুমিৎনা হেন্না লূম্না লৌনবদৌনা তৌই। অশেংবা করিনো খঙফাত্তবশিংনদি হায়বসু য়াওই, ***''হৌরক্কব্রা মণিপুরগী হৌনবী অনী থোক্রুদি য়াদবীদো।''*** অদুসু শাওরু য়াপোৎ নত্তে, অনী থোক্কনবগী খোস্থাংনি। ওইনীংবা ওইজসনু ওজা খুন্নাইবু ইকায় খুম্নবীরি হায়বসিমদি ময়েক শেংলে। অদুবু নোংম-নোংমগী হোংলক্লিবা ৱাখল্লোন থৌওং থৌচৎ অসিদদি লমদম অসিদা পাঙথোক্লিবা ***ওজাগী নুমিৎ*** হায়বসি কুয়োমখক্তমক ফজবা ফীভম অমা ওইরব্রা হায়বসি নুংনাংনীংঙাই ওইরি। ওজাশিংগী ফিদা অসি খরা খরা চপশিল্লকপদৌনা তৌরি। কনাগুম্বনদি ওজাদা পঙহুন্দা হুনবসু য়াওই। শিনফম অসিদা কখোল্লবা মীওই ময়াম অমসু য়াওরিবনি। লৈঙাক্লা পীবা ইকায় খুম্নবগী শকখঙচে ফংখিদবা অশেংবা ওজা ওখাক য়াম্না লৈ। ওজাশিংনা থম্মোয় শেংনা শিনফম অসিগী মায় ঙাকপীরবা অদুগা লৈঙাক অমদি মীয়াম্নসু শিনফম অসিবু ইকায় খুম্নবীরবদি পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। ওজাগী নুমিত্তা থন্বীবা ৱাহৈ লৈতেংখক্লদি থৌরম অসি পাঙথোকপগী মপূং ফাবা ৱাহন্থোক ফংগনি থাজদে। ●




# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরদা ক্রিকেট মশান্না অসিবু চাওখৎহন্নবগীদমক কন্না হোৎনদুনা লাক্লিবদি মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননি। এসোসিএসন অসি কুমজা ১৯৭৫গী সেপ্টেম্বর ১৬তা লিংখৎখি। অদুগা বোর্ড ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী মখাদা কুমজা ১৯৯৮দা এসোসিএট মেম্বর ওইবা ফংখি। কুমজা ২০১৬তনা বি সী সী আইগী ফুল ফ্লেজেদ মেম্বর ওইনা শকখঙখি। বি সী সী আইগী মখাদা ফুল ফ্লেজেদ মেম্বর ওইনা শকখঙখিবসি মণিপুরনা ক্রিকেট মশান্না অসিদা বি সী সী আইগী মখাদা পাঙথোকপা এজ গ্রুপ টুর্নামেন্টশিংদা টাইটল লৌরকপা য়াওনা মশান্না অসিবু চাওখৎননবা লৌরিবা থৌদাং অদুবু মশক খঙলকপদগীনি। চাওসু চাওখৎলক্লি। লোয়ননা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন লিংখৎখিবগী চহী ৪৬শুবা মপোক কুমওনসু পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমা ওইরিবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা এসোসিএসন অসিগী ৪৬শুবা কুমওন পাঙথোকখি। হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৬তা পাঙথোকখিবা কুমওন থৌরম অদুদা এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল বিনোয়, সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ূম পিটর, মেন্স ক্রিকেট কম্মিটিগী চ্যেরমেন ৱাহেংবম ভক্তরাজ, ষ্টেনিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন থোকচোম জয়কুমার অমসুং ক্লব ক্লবকী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি। এসোসিএসনগী হান্না থৌ পুরম্বা লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী মফমদসু লৈ-শু কৎলগা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা মপোক কুমওন অসি হৌদোকখি। তুংদা এসোসিএসনগী থৌ পুবশিংনা মণিপুরদা ক্রিকেট চাওখৎহন্নবগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মরমদা ৱা ঙাঙখি। অসুম্না ক্রিকেট অমসুং শান্নরোয়শিংগীদমক চাউনা থৌদাং লৌরি।

তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা কোচিং কেম্প অমসুং টুর্নামেন্টশিংদা মণিপুর ক্রিকেটরশিং, মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা এসোসিএসন অসিদা রেজিষ্টর তৌরবা শান্নরোয়শিং খনগৎতুনা শরুক য়াহল্লি। লোয়ননা ঝরখণ্ডদা পাঙথোক্কদবা ভিনু মনকাড় টুর্নামেন্ট মেন্স অন্দর-১৯, ২০২১-২২গী মণিপুর টিম শেমখিবসু লৈরে। টামিল নাদুগী প্রি সিজন কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবা অন্দর-২৫গী নুপা ক্রিকেটর ৩০ খনখিবসু লৈরে। হায়জনীংবা ৱাফম অমনা ক্রিকেট মশান্না অসি ইন্দিয়াদদি অচৌবা কুম্মে অমগুম লৌনৈ। বোলিৱুদকী নুপী ফিল্ম এক্টরশিংনা ফাওবা ইন্দিয়াগী ইন্টরনেসনল ক্রিকেটরশিংসি য়াম্না পাম্মী হায়না ৱারীনৈ। কিংস-১১ পঞ্জাবকী মপু প্রিটি জিন্তানা ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফাষ্ট বোলর ব্রেট লিগা খঙন-চান্নরম্বগী ৱারী লৈরিবনি।

হন্দক্তসু মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএননা মণিপুর ক্রিকেট টিমগী কোচ ওইনা হান্না ইন্দিয়াগী ইন্টরনেসনল টিমদা য়াওরম্বা দোদদা গনেশকা চহী অমগী ওইবা কন্ত্রেক্ট সাইন তৌনখি। সাইন তৌনখিবা অদুদা কোচ দোদদা গনেশনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংদা কোচিংগী খুদোংচাবা পীরগদি কুমজা ২০৩০ ফাওবদা ইন্দিয়াগী টিমদা মণিপুরগী শান্নরোয় মরিদগী তাদনা য়াওবা ঙমগনি হায়না থাজবা পীখি হায়না পাউচেদা থেংনজখি। মণিপুরগী ক্রিকেটরশিংদা থোইদোক হেন্দোকপা টেলেন্টশিং য়াওবতা নত্তনা চহী ১৯ মখাগী নেসনল কোচিং কেম্পতা পীখিবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয়শিংনসু কোচ অসিদগী তমজনবগী তাঞ্জা ফংবসিদা হেন্না হোৎনহন্নীংই।

মণিপুরদা ইহান হান্না ক্রিকেট শান্নবা হৌরকখিবসি মহারাজ চুড়াচান্দগী মতমদগীনি হায়না ৪৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসিগী ৱাঙাঙলোয় ওইখিবা মেন্স ক্রিকেট কম্মিটিগী চ্যেরমেন দল্লিয়ু ভক্তরাজনা হায়খি। এসোসিএসনগী সেক্রেটরি পিটরনসু ইম্ফাল ৱেষ্টতা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমা অথুবদা শেমগৎলগনি হায়বতা নত্তনা ইন্দোর ষ্টেদিয়মসু শারগনি হায়খি। এসোসিএসননা চহী অমদা নুমিৎ ২০০ ট্রেনিং পীনবসু হোৎনরি। হান্নদি লমজিং লমতাকপীনবা লৈতবদগী শান্নরোয়শিং নীংবা কায়দুনা লাকখিবদু বি সী সী আইগী তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংসু শরুক য়াবতা নত্তনা টাইটল ফাওবা লৌবা য়াওরক্লিবসি মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন লৈরম্বদগীনি। মালেমগী থাক্তা মণিপুরগী ক্রিকেটরশিং থোরক্লবা শেমগৎপদা মীয়াম্নসু পূক্লিং থৌগৎপীয়ু।

*অদোমগী - মোইরাংথেম দিনকান্ত, ফুবালা*

## ষ্টেটকী পাউ

### টাস্ক ফোর্সনা শীন্দুনা পৌরাবিদা ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবিনা শিন্দুনা পৌরাবিদা ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা ফ্রি মেদিকেল কেম্প অদু দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল ওফিসর ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টগী সী এম ওগী মীৎয়েং মখাদা লাংলেন আই ক্লিনিক লম্লাই অমসুং খুরাই অয়াংপলিদা লৈবনা মতেং পাংদুনা পাঙথোকখিবনি। কেম্প অদুদা শওম্বুং জিলা পরিষদ ইরুংবম রোবিচন্দ্র, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সী এম ও দা. এল ইন্দিরা, কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবিগী প্রসিদেন্ট কোন্থৌজম কলাচান্দ, সোসল ৱার্কর অমদি ইমোইনু কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর কে রোনেন, সোসল ৱর্কর এস শ্যামকেশ্বর অমদি হুইদ্রোম ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম রাজেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

ফ্রি মেদিকেল কেম্প অদুগা মরি লৈননা দা. এল ইন্দিরানা কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবি অমদি অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা টাস্ক ফোর্স শেমদুনা লাইচৎ অসি থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লাংলেন আই ক্লিনিক লম্লাই অমসুং খুরাই অয়াংপলিদা লৈবনা আনোক্কী ফ্রেমশিং লেম্না য়েন্থোকখি। ফ্রি মেদিকেল কেম্প অদুদা সোসল ৱার্কর কে রোনেননা হীদাক-লাংথকশিং লেম্না ফংহনখি। থৌরম অদু পৌরাবি পার্ট-১ অমসুং পার্ট-২গী মেম্বর ৱাই নাওবা অমসুং ৱাই অনিনবালা, সওম্বুং জিল্লা পরিষদ ইরোম রোবিচন্দ্র, সোসল ৱর্কর ৱাই সরনকুমারনা মতেং কয়া পাংদুনা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অদু মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমখিবনি। কেম্প অদুদা চাউরাক্না মীওই ৩৫৪না শরুক য়াখি।

### ইপসা পুখাও ব্রাঞ্চ ৱাশক লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস): ইপসা পুখাও ব্রাঞ্চপু পাকথোক চাওথোকহন্দুনা থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌবগা লোয়ননা ইপসাগী ময়াই লোয়শঙগী মায়কৈদগী ইপসা মশা লোয়শঙশিংদা য়োংচাক চারাশিং খুৎশিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে হায়না ইপসা কংলৈপাক্কী আই পি আর টিকে মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, থৌরম অদু ইপসা পুখাও ব্রাঞ্চকী এদভাইজর ৱাইরোকপম থোমৈনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখি। লোয়ননা ইপসা কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট টি বিরজিৎনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা ইপসা পুখাও ব্রাঞ্চকী নৌনা থৌ পুগদৌরিবা থৌবুরোইশিংবু ৱাশক লৌহনখি।

ইপসা পুখাও ব্রাঞ্চকী ৱাশক লৌখ্রবা থৌবুরোইশিং অদুদি প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম অনন্দ; ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম নিংথেম; জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম রাজা; জোইন্ট সেক্রেটরি নোংথোম্বম ইবোমচা; ফাইনান্স সেক্রেটরি থিয়াম অবুং; এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি লৈশাংথেম ইনাওতোন; ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি য়ুম্নাম সুরেস; আই পি আর সেক্রেটরি নোংথোম্বম রবিচন্দ্র; এসিষ্টেন্ট আই পি আর নাওরেম রঞ্জন অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বরনা থৌনাওজম অবোচা; তোনজম রোমিও; নোংমৈকাপম মাইবোই; ৱাইরোকপম প্রেমজিৎনচিংবনি। হায়রিবা ইপসা পুখাও ব্রাঞ্চকী নৌনা খল্লবা থৌবুরোইশিং অসিনা লুপ অসিগী চৎন-কাংলোনশিং অমদি লৈবাক্কী ওইবা থবক-থৌরম কয়াদা শরুক য়াদুনা পুকচেল শেংনা থবক তৌনবগী ৱাশক লৌখি হায়রি।

### ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস): লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংনা শিন্দুনা ৪১২শুবা ইন্টরেক্সনগী প্রোগ্রাম অমা ওনলাইন জুমগী খুৎথাংদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ওনলাইনগী খুৎথাংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সিভিল সর্ভিসেস এগজাম ২০২০দা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা ৬০শুবা রেঙ্কদা য়াওরকখ্রবা পরিক্ষিত থৌদামসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মোটিভেসনগী থৌরমদা সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম জোয়কুমারনা পরিক্ষিতগা ৱারী শান্নদুনা মহাক্না মায়োক্নরকখিবা ষ্ট্রগলশিং অমদি এচিভমেন্টগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। থৌরম অদুদা মহৈরোয়শিং অমদি পেরেন্টস কয়াসু শরুক য়াদুনা মতৌ করম্না মহৈরোয়শিংনা সিভিল এগজামদা মায় পাক্লবা হোৎনগনি হায়বনচিংবা ৱাহং পাউখুম কয়াসু তৌনখি হায়রি।

## ꯕꯤ.ꯑꯦꯁ.ꯁꯤ. ꯅꯔꯁꯤꯡ ꯇꯝꯅꯤꯡꯕꯁꯤꯡ ꯀꯧꯖꯔꯤ
## BSc. NURSING তম্নিংবশিং কৌজরি

St. Martha College of Nursing Lakhara, Guwahati দা B.Sc. Nursing তম্নিংবশিং কৌজরি। ILETS অমদি OET গী খুদোংচাবা লৈগনি। তম্নিংবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

**Contact No. :**
**9612888377**
**7005389688**

HL-P/0245/4,5

## ꯃꯥꯡꯈꯤ / ADMIT CARD LOST

I have lost my Admit Card of HSLC Examination 2021 bearing Roll No. 34990, Registration No. 1903227001 issued by BOSEM on the way between Kakching Wairi and Kakching Keithel on 3rd October, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Ningthoi Mayanglambam**
S/o Ibochou, Kakching Wairi Khulakpam Leikai,
Tankey Pareng, #8415908050

HL-B/7201/5

## ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄꯥ / অৱাবা ফোঙদোকপা



ঙরাং তাং ০৩/১০/২০২১ ইং, নোংমাইজিং নুমীৎকী নুমীদাং পুং ১০.০০ তাবা মতমদা Yambem Mathak Leikai দা লৈবীরম্বা অদুগা United Progressive Association Andro Kendra (UPA-Andro Kendra) গী থৌ পুবীরম্বা Shri Moirangthem Ibomcha Singh (52 yrs) মনুং মতম চাদনা লৈখিদ্রে। মহাক অসি organiser শিংগী মরক্তা য়াম্না মতিং লৈবা, অঙাং-অহল খাক্তনা লোয়নবা হৈবা পূকচেল চাওবা কেন্দ্র অসিগী অওনবা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশক অমনি। মহাক্না লৈখিদবা অসিদা Andro Kendra গী Intending Candidate Shri Lourembam Sanjoy Singh অমসুং UPA-Andro Kendra গী Member শিংনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্না শান্তি ওইনা লৈরুনবগীদমক্তা মিনট ২ (অনী) তুমিন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **Secretary,**
The United Progressive Association,
Andro Kendra

HL-P/0249/5

## ꯀꯨꯊꯤ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / KUTHI YENGJARI



Chahigi dasa-langfam, Mapokki thabak inkhang, Paknaba lalon-etik, Sel-thum, Mangba-tongba, Yum-Ingkhol, Lou-Dukan, Yumbal lambi, Nupi-Angang, Macha yaodaba, Angangi mahei-mashin, Awangba parikhya, Lairikta thawai yaodaba, Haina-tanaba indaba, Mayai Kaba Chinjakta laichuba, Paknaba Luckystone, Afaba gari number, Vote leppa, Hakchangi aruba anaba ashinachingba Kuthidagi kupthana yengjari. Hanna Phone dagi ayaba loubiraga yumda ayuk pung 7 tagi 12 manung phone toubirakpa/lakpiba yagani. Ayaba Customer Prediction Number (CPN) coupon yaodana lakpa yengjaroi. Tuesday yengjade. Whatsapp mobile : 9077188456.

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-P/0067/17/9-16/10

## IN THE COURT OF SDC/IW/PATSOI

**Ref :- Mutation Case No. 409/SDC/IW (P) of 2021**

1. Wangkhem Irabot Singh S/o (L) Bijoy Singh of Khamnam Leirak.
2. Wangkhem Tomba Singh S/o (L) -do- of -do- - Petitioners

-Vrs-

1. Late Wangkhem Kunjakeshwor Singh S/o (L) Bijoy Singh of Khamnam Leirak.
2. Late Wangkhem Angoubi Singh S/o (L) -do- of -do- - Deceased Pattadars

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
4-10-2021

Under Section 46(3) MLR and LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মৃ: পাট্টাদার নং (২) অমসুং (৩)গা মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খৃথাংদা খঙহঞ্জরি। ঈ:ও: পাৎসোইগী খুন নং ৮৩/লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ২ (অরিবা), ৩২৬/১৮৮৪ (অনৌবা)গী দাগ নং ৩০৫/২১১৫ গী এরিয়া ০.০৫৫০০ একর চাওবা ইম্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং (২) অমসুং (৩) অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১) অমসুং (২) অদুগা পাট্টা অসিদা কো-পাট্টাদার নং (১) অমসুং (৪)সু ওইবা ২ (অনী) অসিনা দখলগী অমদি স্বর্ত্তগী মতুংইন্না মৃ: কো-পাট্টাদার নং (২) অমসুং (৩)গী ফংফম থোকপা ২/৪ অসিদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: কো-পাট্টাদারশিংগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১২/১০/২০২১ ইং, গী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুগা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/0248/5

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

**Ref. Mut. Case No. 282/SDC/IW(H) of 2021**

Irengbam Basanta Singh, S/o Late Irengbam Nongyai Singh of Takhellambam Konjil Leikai. - Petitoners / দংকারী

-Vs-

Late Irengbam Nongyai Singh S/o Late Irengbam Chaoba Singh of Takhellambam Konjil Leikai. - O.P. / বিবাদি

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Dated/Hiyangthang, the 4th Oct., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ:ও: খুল ৭৪ নং - তাখেল্লম্বম কোঞ্জিল অরিবা পাট্টা **৫৯ নং** অনৌবা পাট্টা ২৪ নং হাল দাগ **১৭৮,১৮১ নং** গী মোট এরিয়া ০.৯১০০৭ **একর** চাওবা ফৌরেল লৌফমগী কো পাট্টাদার ১ নং ওইরিবা **ইরেংবম নোংয়াই সিংহ** মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা/ দংকারীনা পাট্টা অসিগী মনুংদগী ০.১৮২০১ একরগী লমনা দংকারীগী অদুগা লেমহৌবা ০.৭২৮০৫ একরগী লমনা লেমহৌবা কো-পাট্টাদার ২,৩,৪,৫কী মিংদা নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা ১১/১০/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। পীরিবা নুমিৎ অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/0247/5

## IN THE COURT OF SDC/IW/PATSOI

**Ref :- Mutation Case No. 408/SDC/IW (P) of 2021**

1. Yumnam Ramani Devi D/o (L) Iboton Singh of Changangei Maning Leikai.
2. Yumnam Biramani Singh S/o (L) -do- of -do-
3. Yumnam Sunil Singh S/o (L) -do- of -do- - Petitioners

-Vrs-

Late Yumnam Iboton Singh S/o (L) Atolangou Singh of Changangei. - Deceased Pattadar

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
4-10-2021

Under Section 46(3) MLR and LR Act. 1960 গী মতুংইন্না পাউচেগী খৃথাংদা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি। ঈ:ও: পাৎসোইগী খুন নং ৭৮-চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নং ৭৮ (অরিবা) ৫২৮ (অনৌবা)গী দাগ নং ১৪২০গী এরিয়া .২১৯ একর চাওবা ইম্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিনি/দংকারিশিং অসিনা স্বর্ত্তগী অমদি দখলগী মতুংইন্না মখোয় ৩ (অহুম)গী মমিংদা এরিয়া লোইনমক নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১২/১০/২০২১ ইং, গী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/0248/5